# এন বি এগী ৬ অমদি আই ভি আর বি এসকী ৫, টি বি এ অমসুং আই এন দিগী বোক্সর ৪/৪ ফাইনেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএসএন): খুমন লম্পাক্তা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা চথরক্লিবা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি পাঙথোকখিবা সেমীফাইনেল বাউটশিংদা মায় পাক্লদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিংগী মনুংদা এন বি এগী বোক্সর ৬, টি বি এ, আই ভি আর বি এস অমসুং আই এন দিগী বোক্সর ৪/৪ তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটেগোরিশিংদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



এন বি এগী মায়কৈদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা বোক্সরশিংগী মনুংদা সব-জুনিয়রগী কিলোগ্রাম ৫৫গীদা লাইশ্রম মঙালসনা, জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৫০গীদা সগোলশেম রোক্কি, জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৫২গীদা ক্লব অদুমক্কী খুমুকচম অর্নোল্ড, কিলোগ্রাম ৫৭কীদা থোকচোম ধনঞ্জয়, সব-জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম৪৩গীদা এন বি এগী থৌনাওজম অঞ্জলিনা অমসুং ইভেন্ট অদুগী কিলোগ্রাম ৫২দা খুমন্থেম শিন্থোইনি।

আইভিআরবিএসকী মায়কৈদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা বোক্সরশিং অদুদি জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৫৪গীদা থোকচোম অমিটকুমার, কিলোগ্রাম ৬০গীদা খুন্দোংবম বিকেন, সব-জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫২দা ইন্দিকা থিয়াম, জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫০গীদা থোকচোম তনু অমসুং কিলোগ্রাম ৫২দা নিংথৌজম মন্দানি।

টি বি এগী মায়কৈদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৪৮গীদা হুইদ্রোম লন্থোই মঙাং, কিলোগ্রাম ৫৪গীদা ক্লব অদুমক্কী ঙারিয়াম্বম জুপিটর, জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫৪দা থৌদাম প্রমেশ্বরী অমসুং কিলোগ্রাম ৫৭কীদা সুপ্রিয়া থোকচোমনি।

আই এন দিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা বোক্সরশিং অদুদি জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৪৬তা হুইদ্রোম রিশি, জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৪৬তা অয়েকপম অজিতা, কিলোগ্রাম ৪৮দা ক্ষেত্রিময়ুম জিনা অমসুং সব-জুনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৪৯দা থোঙাম নিলবিরনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা বাউটশিং অদুগী ফাইনেল য়ৌখিবা বোক্সরশিংগী মনুংদা এম কে বি এগী বোক্সর ২ য়াওখি। মখোয়শিং অদুদি জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৮দা অমর্জিৎ তখেল্লম্বম অমসুং কেজি ৫২দা ইরুংবম মালেমঙানবনি।

য়ু বি এগী মায়কৈদগী জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫০দা মৈনম খৃষ্টিনো অমসুং সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৩দা ইরেংবম সোনিয়ানি। এ এস এমগী মায়কৈদগী সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫২গীদা ঙম্বা লোংজম অমসুং সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৯দা নিংথৌজম অঞ্জলিনি।

## ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ সাউদি কম্পেনিনা লৌশিনখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ সাউদি অরাবিয়াগী কম্পেনিনা ক্লব অদুগী চাদা ৮০গী মপূ ওইখ্রে। প্রেমিয়র লীগনসু অনৌবা খোঙথাং অদুবু অয়াবা পীখ্রে।

মমাংদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ অসি ইংলেন্দদা বেজ তৌবা কম্পেনি সেন্ট জেমস হোল্ডিংস লিমিটেদনা পায়শিন্দুনা লৈরম্বনি। প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অদু ক্লব অদুগী অমদি শান্নরোয়শিংগী ওইবা ফীশিং অদু মতাং মতম চানা পীরকপা ঙমহৌদবা অদুনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা শোত্থখিবনি। সাউদি অরাবিয়াগী কম্পেনি পি আই এফনা ন্যু কাসলবু লৈদুনা চাদা ৮০ মখোয়গী খূদোংচাবা লৈরগনি অদুগা লেমহৌবা চাদা ২০গী শরুক অদুনা ন্যু কাসলনা পায়হৌগদৌরিবনি।

# অন্সু মালিক সিলভর মেদল ফংহৌরে, সরিতানা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখ্রে



ওস্লো, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): রেষ্টলিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী রেষ্টলর অন্সু মালিকনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন য়ু এসএগী হেলেন লোজিমারোলিসকী মখূৎতা মায়থীদুনা গোল্ড মেদল ফংবগী খূদোংচাবা মাঙদুনা সিলভর লৌখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতা মোরনা কেজি ৫৯গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা নোরৱেগী কোনুং ওস্লোদা পাঙথোকপা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭কী রেষ্টলিং ফাইনেল মেটচ অদুদা এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরিবী মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী অন্সু মালিকনা য়ু এস এগী হেলেন মারোলিসপু অহানবা হাফতা পোইন্ট ১-০দা হেন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা মারোলিসনা অন্সুগী অশোনবা মায়কৈ খরদা খূদোংচাবা লৌদুনা পোইন্ট ২-১দা হেল্লবা মতুং অন্সুগী য়েৎ থংবা খূৎ অদু নান্থোক্তনা ফাজিল্লগা পিন তৌখিবদগী ফাইনেল বাউট অদু ৪-১দা মায় পাক্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

অন্সুনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা নুপীগী সিলভর মেদল ফংবা রেষ্টলর ওইরি। ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারীদা কুমজা ২০১০দা সুশিল কুমারনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা রেষ্টলর অমত্তা গোল্ড ফংবা ঙমদ্রি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতা মোরনা কিলোগ্রাম ৫৯গী কেটগোরিদা ঙরাং অথেংবদা মহাক্কী লম্বা স্বিদেনগী রেষ্টলর সারা জোহানাবু ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লে-ওফ বাউট অদুদা পোইন্ট ৮-২দা হেন্দুনা ব্রেঞ্জ মেদল ফংখি। মমাংদা রেষ্টলর ফোগট মচিন-মনাও অহুম অমদি পুজা ধন্দানা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা মতুং সরিতাসু ফংখিবনি।

# য়াইরিপোক তুলিহলদা জিম শান্ননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে



য়াইরিপোক, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এস এন): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা লৈরিবা য়াইরিপোক তুলিহল ময়াই লৈকাইদা তুলিহল ময়াই লৈকাই ৱেলফেয়র এসোসিএসন, তুলিহল সেন্ট্রেল কম্মিটি অমদি তুলিহল য়ুঠ টিমনা শীন্দুনা বোদি বিল্ডরশিংগী জিম অমা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী এদভাইজর ওইরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারনা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা শরুক য়াখি। অলহাজ অহমদ অলিনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা ফমখি।

থৌরমগী ময়াই তাংবল লৌখিবা শ্যামকুমারনা হায়খি, ঙসি উরেপ-উয়ুং তমখিবা জিম অসি তুলিহলদা লৈরিবা তুংগী জেনরেসন অসিগী নহারোলশিংবু মশা-মউ ফবা তিঙ্গং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক কথোকচবনি হায়খি।

তুলিহল মনুংদা লৈরিবা অনা-লায়েংশঙ অমদি লম্বী-থোং কয়া নুংঙাইতবা খূদিংমক অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নরগনি। লোয়ননা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা হান্না লৈরম্বা অদুগা হৌজিক্লা পোরোম্পাৎতা লৈরিবা এস দি সী তুলিহল ওফিস অথুবা মতমদা মহৌশাগুম্না তুলিহলদা লৈরগনি হায়না ঙসিগী জিমগী উরেপ-উয়ুং তমখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা থাজবা থমখি।

# য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী অনৌবা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এস এন): খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী ঙসি পাঙথোকখিবা চহীগী মীফমদা এসোসিএসন অসিগী তোঙান-তোঙানবা থৌ পুগদবা মীওইশিং অদু খনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী টর্ম অদু কুমজা ২০২৪ ফাওবা চৎনরগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টর লুখোসৈ হাওকিপ, দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবা, দেপ্যুটি দিরেক্টর কে শান্তিকুমার অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর সী ঐচ তেজকুমারনা দেজ মেম্বরদা ফমখি। ঙসি পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী থৌ পুবশিং খল্লবা মতুং প্রসিদেন্টকী ফমদা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী ৱাই বোনিনা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্টতা চান্দেলগী এস রনবির, থৌবালগী ৱাই ইবেয়াইমা, জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম ত্রিলোক অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর সী ঐচ তেজকুমারনি। জেনরেল সেক্রেটরিদা টাইক্বোদোগী কোচ এল মেঘবর্না অমসুং ট্রেজররদা পি ঐচ রোবর্ট শর্ম্মনা থৌ পুরগনি। অতোপ্পা জোইন্ট সেক্রেটরিদা মীওই ২ অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা মীওই ১০ খনখি।

# চেছ এন্দ স্কুলগীদমক্তা মণিপুরগী কেন্দিদেট ১০ মায় পাক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এস এন): ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসননা লৌবা এ আই সী এফ বেসিক ট্রেনর এগজামিনেসন ফোর চেছ ইন স্কুলদা মণিপুরগী কেন্দিদেট ২৫ শরুক য়াখিবদা নুপী ২ য়াওনা পূন্না কেন্দিদেট ১০ মায় পাক্লক্লে হায়না মণিপুর চেছ দিলভপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



এ আই সী এফ (ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন)গী ভিজন ২০২০গী মনুং চন্না চেছ ইন স্কুল প্রোজেক্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্তশিংদা লৈরিবা স্কুল ওথোরিটিশিংনা খূদোংচাবা অমদি মতেং পীবীনবা মণিপুর চেছ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কেন্দিদেট ২৫ শরুক য়াখিবগী মনুংদা এ আই সী এফ বেসিক ট্রেনর এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেটশিং অদুদি ঙাইরাংবম রতন, টি ঐচ রোন্সন, হাওবম সোমোকান্তা, অতেম্বী লাইশ্রম, নাওরেম পারি মৈতৈ, লাইশ্রম ইবেমু, লাইশ্রম খেরোদা, গুরুময়ুম ইনাও শর্ম্মা, টি ঐচ নবচন্দ্র অমসুং ওক্রম দয়াল রাজানি।

মণিপুর চেছ দিভলপমেন্ট এসোসিএসননা নবেম্বর থাগী অহৌবা চয়োলদগী চেছ ইন স্কুল প্রোজেক্টকী মতাংদা পায়খৎকদবা মরুওইবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা লৈরিবা খোঙথাংশিং অদুদি অহানবদা অর্বিটর ট্রেনিং, নেসনল ওর্গনাইজর অমসুং শান্নরোয়শিংগী কোচিং কেম্প পাঙথোকপনি। লৌখৎকদৌরিবা খোঙথাংশিং অসিদা ট্রেনরশিংগী কোচিং য়াওনিংবা কেন্দিদেট/ শান্নরোয়শিংনা অথুবা মতমদা থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর চেছ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী ওফিসতা ওক্টোবর ১৪ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে-চাং অমদি অকুপ্পা মরোলশিং অদু পীশিন্নবগীদমক্তা ওফিস অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অতেম্বীনা ফোঙদোরক্লি।

# ফ্রান্সনা বেলজিয়ম মায়থীবা পীদুনা নেসন্স লীগ ফুটবোল ফাইনেল য়ৌখ্রে

টুরিন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা কুমজা ২০১৯দা হৌদোকখিবা লৈবাক খূদিংমক্লা শরুক য়াবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সনা বেলজিয়মবু মায়থীবা পীদুনা থা অসিগী ১০দা স্পেনগা ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং ইটালিগী সিটি টুরিনদা লৈবা য়ুভেন্টস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী ফ্রান্সপু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শান্নবগী অহানবা পাঞ্জল অদু বেলজিয়মগী করাস্কোনা ৩৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। মদুগী মখা তারকপা মিনট ৩গী মনুংদা ফ্রান্সকী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখায়দুনা বেলজিয়মগী লুকাকুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৪০শুবা মিনটতা চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৭ চঙশিল্লকপদা ফ্রান্সকী বেঞ্জিমানা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। মহাক্কী মতুং মিনট ৮ লৈরগা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা কিলিয়ান মাপেনা চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখি। অদুগা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা টি হর্নান্দেজনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা বেলজিয়মবু ৩-২দা থোইরগা ফ্রান্স ফাইনেল য়ৌখি।

# রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা দেল্লী কেপিটেলসপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে, মুম্বাই ইন্দিয়ন্স প্লে-ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে

দুবাই, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫৬শুবা মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী প্লে-ওফকীদমক্তা মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা টিম অনীগী লম্বাদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা দেল্লী কেপিটেলসপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে। অদুবু মুম্বাই ইন্দিয়ন্স রন ৪২দা থোইরবসু প্লে-ওফকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে।

রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা দেল্লী কেপিটেলসনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর পৃথিবী সো অমসুং সিখর ধৱননা মথংশিংনা বোল ৩১দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৮ লৌরম্বা অদুগা বোল ৩৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্বা স্কোর অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্নবা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রন ১৬৫গী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৩ খক আউট ওইরগা রন ১৬৬ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইখি। রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন শ্রিকার ভারত অমসুং ৫শুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেলনা মথংশিংনা আউট ওইদনা রন ৭৮ অমসুং রন ৫১ লৌখিবা অদুনা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অবু ধাবীদা লৈবা সেখ জায়দ ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরদুনা রন রেটতা য়াম্না ৱাংনা লৈনবা শান্নরকখি। মখোয়না মায় পাক্লবসু কোলকাটা নাইটরাইদর্সকা পোইন্টচপ মান্নগদবা মরম্না সনরাইজর্স হায়দরবাদপু মখোয়না য়াম্না চাওনা মায়থীবা পীবা মথৌ তাখি।

মখোয়না অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৩৫ লৌখি। ওপনর ইসান কিষনগী বোল ৩২দা রন ৮৪ লৌখিবা অমদি ৫শুবা বেটসমেন সুরিয়া কুমার য়াদবনা বোল ৪০দা রন ৪২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। মখোয়না লৌখিবা স্কোর অদুগী মতুংইন্না সনরাইজর্স হায়দরবাদবু রন ৬৫ য়ৌদনা মায়থীবা পীরবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী প্লে-ওফকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইগদবনি। সনরাইজর্স হায়দরবাদনা মখোয়গী ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা রন ১৯৩ লৌদুনা লৈখিবদগী মেটচ অদু মখোয় রন ৪২দা মায়থীরবসু মুম্বাই ইন্দিয়ন্স টুর্নামেন্ট অসিগী প্লে-ওফকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

দেল্লী কেপিটেলস রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর, কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমসুং চেন্নাই সুপর কিংসনা প্লে-ওফ শান্নগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী বিজয়বির অমসুং সাংৱাননা মিক্স টিমগী গোল্ড ফংখ্রে

লিমা, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): পেরুগী কোনুং লিমাদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী বিজয়বির সিধু অমসুং রিদম সাংৱাননা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল মিক্স ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংদুনা কম্পিটিসন অদুগী মেদল টেল্লিদা ইন্দিয়ানা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

বিজয়বির সিধু অমদি রিদম সাংৱাননা ফাইনেলদা থাইলেন্দগী শুটর কন্যকোর্ন হিরুনফোইন অমদি স্বাকোর্ন ট্রিনিফাকোর্নবু য়াম্না খূদুম চন্না পোইন্ট ৯-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল মিক্স ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বাদা ইন্দিয়াগী শুটর টেজাস্বিনি অমদি অনিশনা থাইলেন্দগী অতোপ্পা মিক্স টিম ওইখিবা সাৱিসা পাদুকা অমদি রাম খমহেংবু পোইন্ট ১০-৮দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কম্পিটিসন অদুগী ঙরাং অঙনবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসনগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নিসাল, প্রাসিধি মাহান অমসুং অয়ুশি পোদরনা ফাইনেলদা য়ু এস এগী টিম মোলি ইলিজাবেথ, কেটি লোরেন অমদি মেরি টক্করগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরগা পোইন্ট ৪৩-৪৭তা মায়থীহৌদুনা সিলভর ফংখি। ইন্দিয়ানা গোল্ড ১০, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা মাঙজিল থারি।

## জেন্দোকাইগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর জেন্দোকাই কারাটে এসোসিএসননা ত্রিপুরাদা লৈবা পুর্বো চম্পামুরাগী সেৱাধন ইন্দোর হোলদা নবেম্বর ১ অমসুং ২দা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা নেসনল ওপন জেন্দোকাই কারাটে চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওল মণিপুর জেন্দোকাই কারাটে এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর এমেচর কারাটে এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা শান্নরোয়, কোচ অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা মতম চানা লাকপীনবা খঙহল্লক্লি।

## এম এম টি এগী কমপ্লেক্স হাংদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএন এস): মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ)গী এম এম আই কমপ্লেক্সতা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা চঙবা য়াদবগী লৈরম্বা কাঙলোন অদু হয়েং ওক্টোবর ৯দগী কোমথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ৱাই হেনরিনা ফোঙদোরক্লি। কমপ্লেক্স অসিদা এসোসিএসনগী অয়াবা য়াওদনা লাক্লম্বা মীওইশিংদা ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ৫ লৌগনি হায়রি।


ꯑꯍꯤꯡꯀꯥꯡ

Resonance® Educating for better tomorrow

Live-video Learning Program (LLP) Centre

ADMISSION OPEN!

1 year course for NEET 2022
1 year course for JEE Mains and Mains+Advanced
2 year course for NEET & JEE for Class 11 Students

For the promising future doctors and engineers, Resonance LLP Centre Imphal brings to you
- Best subject experts from Kota
- Live interaction classes
- Recorded classes for future reference
- Latest study materials
- Routine class tests

ENROLL TODAY!

★ Hostel and other amenities for Early Bird registrations

SUBJECT EXPERTS: HIGHLY QUALIFIED IITians & RESEARCH SCHOLARS

Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, S.I. & Sons Building,
Kwakeithel Thokchom Leikai,
Imphal- 795001

For more details
9402979552
8794961535

HL-P/0236/3 to 12/10


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 253



**Voiska, Margarita (2356) - Tosoni, Augusto (2174)**
**Rome Steinitz op 1st Rome (4), 2002.07.07**

| | | |
|---|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.Nc3 e6 | 3.e4 d5 |
| 4.e5 Ne4 | 5.Nf3 c5 | 6.Qc2 Nxc3 |
| 7.dxc3 Nc6 | 8.Bf4 Be7 | 9.h4 d4 |
| 10.Bd3 dxc3 | 11.bxc3 Qc7 | 12.Bxh7 Bd7 |
| 13.Be4 O-O-O | 14.g3 Qa5 | 15.O-O f5 |
| 16.exf6 gxf6 | 17.Rfe1 Qa6 | 18.Rab1 e5 |
| 19.Be3 Qxc4 | 20.Nd2 Qg8 | 21.Qa4 Kc7 |
| 22.Nc4 Rxh4 | 23.Rxb7+ Kxb7 | 24.Rb1+... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 252 Ans. :**
25. ...Rb8 26.Nh6 Mating netBg7 27. Qg8+ The white queen clears the way for White's knight to the square f7.Rxg8 28. Nf7# Smothered mate
26. Nh6 Bg7 27. Qg8+ Rxg8 28.Nf7#
1-0


ꯑꯦꯝ.ꯄꯤ. ꯈꯣꯡꯆꯠ

EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com